# দোকুমেন্ট লিক কেসতা মহারাষ্ট্রগী হান্নগী হোম মিনিষ্টরগী উকিল বেল পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): করপসন কেস অমগা মরী লৈননা মহারাষ্ট্রগী হোম মিনিষ্টর অনিল দেশমুখকী মায়োক্তা চখুরিবা প্রোব নাথৈনবগীদমক্তা কনফিদেন্সিএল দোকুমেন্টশিং লিক ওইহনখিবগী কেস অমগা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমীৎতা দেল্লী কোর্ট অমনা দেশমুখকী উকিল অনন্দ দাগা অমসুং মহাক্কী সোসল মীদিয়া মেনেজর ভাইভাব গজেন্দ্র তুমানেদা বেল পীখ্রে।



স্পেসল সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী জজ সঞ্জীভ অগরৱালনা মখোয়দা বেল পীখিবনি। বেল প্লি অদুবু ওপোজ তৌরদুনা সী বি আইনা মসিনগী আর্গ্যুমেন্টতা হায়খি মদুদি, তুমানেনা উকিল দাগাদগী মরুওইবা রিপোর্ট অদু লৌখি অমসুং মদুগী কোপী কয়া শেন্নগা মখোয়বু দেল্লীদা লৈবা তোঙান তোঙানবা এদ্রেসশিংদা ক্যুরিয়রগী খুথাংদা থাখি।

এফ আই আরগী মতুংইন্না প্রোব রিপোর্ট শেম-শাবদা ইনক্কারি ওফিসরদা মতেং পাংখিবা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর অগিসেক টিৱারিনা সেন্সিটিভ দোকুমেন্টশিং অদু পায়খি। মহাক্না মেমোরেন্দম ওফ প্রোসিদিংস, সিলিং-অনসিলিং মেমোরেন্দম, ষ্টেটমেন্টশিং, সিজর মেমোনচিংবা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা দোকুমেন্টশিংগী কোপী কয়া থেঙ্খাং কয়াদা ৱাটচএপকী খুথাংদা দাগাদা স্যের তৌখি।

সী বি আইনা হায়খি মদুদি, ইনভেষ্টিগেসন অদুদা অভিসেক টিৱারি অমসুং অনন্দ দিলিপ দাগা দেল্লী, মুম্বাই অমসুং পুনেদা মশা-মশা উনখি অমসুং হৌখিবা চহীগী এপ্রিল ১৪গী মতুংদা মখোয় ৱাটচএপ কোলশিং, মেসেজশিং অমসুং এস এম এসশিংগী খুথাংদা চাং নাইনা পাউ ফাওনখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

প্রোব অদুদা দেশমুখকী উকিল অনন্দ দাগানা সী বি আইগী ওফিসল অভিসেক টিৱারিগীদমক লুপা ৯৫,০০০ পীবা আইফোন অমা লৈখি অমসুং মদু মরুওইবা কনফিদেন্সিএল দোকুমেন্টশিং খঙহনবগীদমক মঙোন্দা পীখি হায়বসিসু খঙলকখি।

স্কাম অদুগা মরী লৈনবা তোঙানবা কেস অমগী মতাংদা এস আই অভিসেক টিৱারি অমসুং উকিল অনন্দ দাগা ফাখি। সী বি আইনা উকিল দাগাবু মুম্বাইদগী ফাখি অমসুং এস আই টিৱারিবুনা দেল্লীদগী ফাখি। মতুং তারকপদা উকিল দাগা ট্রাঞ্জিট রিমান্দদা দেল্লীগী কোর্ট অমদা হোংহনখি।

# ভেক্সিন কাপ্তবনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তা থবক মাঙবা নৎত্রগা তৎপা লৈতে: সেন্টর

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা ইস্যু তৌবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মেন্দেটশিংনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া মখোয়গী থবক কয়া মাঙলি নৎত্রগা তৎলি অমদি রসন ফংনদ্রে হায়বা এদভোকেট প্রসান্ত ভুষনগী আর্গ্যুমেন্ট নিংথৌকাবা নুমীৎতা সেন্টরনা য়ানিংদবা উৎখ্রে।



এদভোকেট প্রসান্ত ভুষননা মেইন পিটিসনদা ইন্টর্ভেন্সন এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌদুনা কোভিদ ভেক্সিন মেন্দেটশিংনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া থবক মাঙহল্লে হায়না ক্লেম তৌখিবনি। হেক হৌবগা পিটিস্নর জেকোব পুলিয়েলগী মহুৎ শীল্লিবা ভুষননা জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাওনা লুচিংবা জষ্টিস বি আর গভাই য়াওনা সুপ্রীম কোর্টকী বেঞ্চ অমদা হায়খি মদুদি, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট কয়ানা ইস্যু তৌখিবা ভেক্সিন মেন্দেটশিংনা মরম ওইদুনা মখোয়গী থবক মাঙনরে।

পিটিস্নর জেকোপ অসি নেসনল টেক্নিকেল এদভাইজরি গ্রুপ ওন ইম্যুনাইজেসনগী হান্নগী মেম্বর অমনি। ভুষননা হায়খি মদুদি, হৌজিক য়াম্না মরুওইনা য়েংশিনবা মথৌ তারিবদি ভেক্সিন মেন্দেট অসিনি। মসিনা মীওই কয়াগী থবক মাঙনরে। মসিদা নত্তনা মখোয়গী ফংফম থোকপা রসনসু ফংনদ্রে। ভেক্সিন মেন্দেটশিং অসিনা মরম ওইদুনা মীশিংনা অয়েৎ-অপন লৈতনা চৎথোক-চৎশিন তৌবসু ঙম্মদ্রে হায়না মহাক্না য়েৎখি।

আর্গ্যুমেন্ট অসিবু ওপোজ তৌরদুনা সেন্টর রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সোলিসিটর জেনরেল তুশর মেহতানা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি মদুদি, ভেক্সিন কাপ্তবনা মরম ওইদুনা কনামত্তা থবক মাঙবা নৎত্রগা থবক তৎপা লৈতে। বেঞ্চ অসিদা মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, কনামত্তা করিগুম্বা অমত্তা মাঙবা লৈতে। কোর্ট অসিদা কনামত্তনা থবক মাঙবা নৎত্রগা রসন ফংহন্দবগী ৱাকৎলবা লৈতে।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংগী ক্লিনিকেল ট্রাইয়েলশিংগী দেটা হায়দোক্তবা অমদি ভেক্সিন মেন্দেটশিংগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং য়াওবা মেটর অমগী হিয়রিংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। আর্গ্যুমেন্টশিং তারবা মতুং বেঞ্চ অসিনা ভুষনদা হায়খি মদুদি, ভেক্সিনশিংগা মরী লৈনবা কোর্টতা পুরকপা য়াবা তোঙান-তোঙানবা ফীভম কয়া লৈ। তৌইগুম্বসুং কোর্টনা অদুগুম্বা ফীভমশিং অদু হেন্দল তৌবা ঙম্লোই। ইস্যু খরদি হায় কোর্টশিংনা য়েংশিনবা ঙমগনি হায়নসু বেঞ্চ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। ভুষননা মহাক্কী সবমিসনদা করিগুম্বা মীওই অমা ইনফেক্সন লৈরবদি মহাকপু ইনফেক্সন অদুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবনা ভেক্সিনেসনদগী হেন্না মরুওই হায়বগী ইভিদেন্স লৈ হায়খি।

# দেল্লীগী সী এমনা কম্পেন্সেসন পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): মতম চাদনা কুমজা ২০২১গী ওক্টোবর থাদা নোং কন্না চুবদগী মহৈ-মরোং মাঙ-তাকখ্রবা লৌমীশিংদা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা কম্পেন্সেসন পীখ্রে।

কেজ্রিৱালনা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন পীবগা মরী লৈননা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহীদা সিজনগী ৱাংমদা ওক্টোবর থাদা নোং কন্না তাবদগী দেল্লীগী লৌমীশিংগী মহৈ-মরোংশিং মাঙ-তাকখি। মখোয়দা ঐখোয়না একর অমদা লুপা লিশিং ২০গী চাংদা কম্পেন্সেসন পীখ্রে।

লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন পীবা মতমদা ঐখোয়না কালক্যুলেসন য়াম্না তৌখিদে। মাঙ-তাকখ্রিবশিং অদু চাদা ৭০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্থরম্বা য়াই হায়না পারবদি কম্পেন্সেসনগী চাং অদু চাদা ৭০দা লেপখি। মাঙখ্রিবা মহৈ-মরোংশিং অদু চাদা ৭০দগী হেনবা ওইরবদি কম্পেন্সেসনগী চাং চাদা ১০০ ওইহনখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি মদুদি, লৌমীশিংনা মাঙখিবশিং অদু নিংথৌকাবা নুমীৎতগী হৌরগা গভর্ণমেন্টনা মতেং পাংদুনা মখোয়বু অৱাবা মায়োক্নহন্দনবা হোৎনবা হৌরে। লৈবাক অসিদা দেল্লীনা লৌমীশিংদা কম্পেন্সেসন খ্বাইদগী হেন্না চাউনা পী। মখোয়না লুপা লাখ ২.৫ নৎত্রগা লুপা লাখ ৩ ফাওবগী চেকশিং লৌমী কয়াদা শীন্নখি।

অতৈ ষ্টেট কয়ানা লৌমীশিংদা শুপ্নগী লুপা লিশিং খরগী চেক শীন্নদুনা লৌমীশিংগী অৱাববু করিসু থওইদবগী মওং উরি হায়না কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২১গী সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরদা সিজনগী ৱাংমদা নোং কন্না চুখিবনা মরম ওইদুনা মাঙখিবশিংগীদমক একরদা লুপা লিশিং ২০গী চাংদা লৌমীশিংদা এক্স-গ্রেসিয়া রিলিফ পীবগী ৱাফম জন্যুৱারী ২৮দা দেল্লী কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখি।

কেবিনেটনা লৌমীশিংদা এক্স-গ্রেসিয়া রিলিফ পীবগী রেটশিং মাঙখিবশিং অদু হোৎতোক্লবা মতুংদা পীবগী ৱাফমসু এপ্রুভ তৌখি। এক্সর্সাইজ অসিগী মখাদা চঙগদৌরিবা চাদিং অদু চাউরাক্না একর ২৯,০০০ গী লুপা ক্রোর ৫৩ রোমনি হায়না পাখি। চীফ মিনিষ্টরগী দিরেক্সন মতুংইন্না টিমশিং গ্রাউন্দদা থাদুনা মহৈ-মরোংশিংদা কয়া য়াম্না অমাঙ অতা থোকখ্রবগে হায়বদু খঙদোকহনখি। লৌমীশিংগী তঙাইফদবশিং খঙদোক্নবা অমদি লৌমী খূদিংমক মখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংহনগনি হায়না থাজবা পীননবা চীফ মিনিষ্টরনা টিমশিং অদুদা চেকশিন্না খঙহনখি।

# শেল চারম্বা আই এ এস ওফিসর অমা সী বি আইনা ফারে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): লুপা লাখ ২ দিমান্দ তৌদুনা কমপ্লেনেন্ট অমদগী শেনফম অদু লৌরম্বনি হায়বা পঞ্জাব রোদৱেজ, চান্দিগরগী দিরেক্টর সী বি আইনা ফারে হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা সী বি আইগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, আই এ এস ওফিসর অমা ওইরিবা দিরেক্টর অদুগী মায়োক্তা লাকপা কমপ্লেন্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে। কমপ্লেনেন্ট অদুনা হায়রবদি, মহাক জেনরেল মেনেজরগী রেঙ্কতা প্রমোসন পীবা য়ারবনি। প্রমোসন অদুগা মরী লৈননা চহী অসিগী জন্যুৱারীদা দিপার্টমেন্টেল প্রমোসন কম্মিটি (দি পি সী) অমসু শেমখি। মদুদা এক্যুইজ অদু পেনেল অদুগী দিরেক্টর ওইখি।

জেনরেল মেনেজরগী রেঙ্কতা প্রমোসন পীনবা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টকী ট্রান্সপোর্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিদা মিং রিকমেন্দ তৌবগীদমক কমপ্লেনেন্ট অসিদগী লুপা লাখ ৫ দিমান্দ তৌখি। নিগোসিএসন মতুংদা এক্যুইজ অসিনা কমপ্লেনেন্ট অদুদগী লুপা লাখ ২ লৌবদা য়ানখি। হায়রিবা পঞ্জাব রোদৱেজকী দিরেক্টর অসিনা কমপ্লেনেন্টতা করিগুম্বা মঙোন্দা শেনফম অদু পীদবা তারবদি মদুনা মরম ওইদুনা লাক্কদবা খুদোংচাদবা ফীভম কয়া মশানা মায়োক্নজগদবনি হায়না কিহনখি।

কমপ্লেনেন্টনা মমৈথংদা সী বি আইদা কেস অমা ফাইল তৌখি। সী বি আইনা কমপ্লেন্ট অদু ফংলবা মতুং খুদক্তা আই পি সীগী মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি। মেটর অদুগী অরুবা ফীভম অদু য়েংদুনা সী বি আইনা মখোয়গী ওফিসলশিংগী ওইবা টিম অমা শেমদুনা কেস অদু য়েংশিন্নবা হোৎনরকখি।

সী বি আইনা এক্যুইজ অদু শেল চাবগী থবক চখুরিঙৈদা ফাননবা ৱারেপ লৌখি। সী বি আইনা লাং অমা থাকখি অমসুং দিরেক্টর অদুবু শেল দিমান্দ তৌরিঙৈদা ফাখি।

# ‘অঙাংশিংদা কোভিদ লায়না কন্দবা য়াই’



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): অঙাংশিংদা কোভিদ লায়না কন্দবা য়াই হায়না পেদিয়াট্রিক গেষ্ট্রোইন্ট্রোলোজিষ্ট ডা. অরোরানা ফোঙদোকখ্রে।

ডোক্তর অসিনা হায়, অঙাং খরদা কোভিদনা মরম ওইদুনা মশা শাগৎলকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং কেস খরদদি শাগৎপগী চাং দিগ্রী ১০৩ ফাওবা য়ৌবা য়াই। অঙাং খরদনা গেষ্ট্রিককী লায়ওংশিংসু থেংনবা য়াই। মহৌশানা লায়ওংশিং অসি নুমীৎ মরিনি মঙানিগী মনুংদা ফহনবা য়াই।

মেদিকেল ডোক্তরশিংনা হায় মদুদি, কোভিদ ইনফেক্সন লৈরবা অঙাংশিংগী মরক্তা হোস্পিটালাইজেসন তৌরিবশিং অয়াম্বনা তোঙান তোঙানবা কোর্মোবিলিটিশিং লৈবশিংনি। অঙাংশিং হোস্পিটালাইজেসন চাজগী রেসিওগী মতাংদা লেদি হাদিংজ মেদিকেল ইন্সটিট্যুটকী পেদিয়াট্রিক্স দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট ওফিসর প্রবিনকুমারনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ঐখোয়না টিবরক্যুলোসিস, ল্যুকেমিয়া, ন্যুরোলোজিকেল দিজিজ, লিভর এবসেস লৈরবা অঙাংশিং এদমিট তৌখি। মখোয় কোভিদ-১৯ দিটেক্ট তৌনবা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখি। মখোয় মরুওইনা অতৈ কন্দিসনশিংগীদমক এদমিট তৌখিবনি, কোভিদ-১৯গীদমক এদমিট তৌখিবদি নত্তে। ডোক্তরশিংগী মতুংইন্না অঙাং অয়াম্বা লায়ওংশিংগী মতুংইন্না লায়েংই। মখোয় ফিভর লৈরবদি পেরাসিটামোন থাই। মনিল হোঞ্জিনহনবনা মখোয়গী কঞ্জেসন ফহনবদা মতেং ওই। মেদিকেল সুপরভিজনগী মখাদা অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা হিদাক থাগদবনি হায়না ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকখি।

ডোক্তরশিংনা মখা তানা হায়রিবদি, তাঙনা থোকপা কেস খরদা অঙাংশিংদা কমপ্লিকেসন লাক্কুনা হোস্পিটালাইজেসন মথৌ তারকপা য়াই। করিগুম্বা অঙাং অমা নুমীৎ হুম্নীদগী হেন্না লায়হৌ হৌরবদি মহাক শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তবা য়াই। মহাক্কী চিনবানগী মচু ওল্লক্কনি অমসুং ৱাখলদা চমম্নবা ফাওবগী মওং উবা য়াই। অসিগুম্বা মতমদা খুদক্তা মেদিকেলগী মতেং লৌগদবনি।

চৈরকসিদা, স্পেসলিষ্ট কয়ানা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা অঙাং অয়াম্বা লায়ওং ফাওবা উৎতে হায়বদগী মমা-মপা ওইরিবা কয়ানা ওথোরিটিশিংদা স্কুলশিং অমদি কোলেজশিং মহৌশাগুম্না হাংননবা তকশিন্নখ্রে হায়রি।

# পঞ্জাবতা লুপা ক্রোর ৩০৫গী পোৎশকশিং ফারে



চান্দিগর, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী): পঞ্জাবকী এসেম্ব্লী ইলেক্সন-গীদমক মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনহনখিবদগী ষ্টেট অসিদা জন্যুৱারী ৩০ ফাওবদা লুপা ক্রোর ৩০৫গী পোৎশকশিং তোঙান তোঙানবা এনফোর্সমেন্ট টিমশিংনা ফারে হায়না নিংথৌকাবা নুমীৎতা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর এস করুনা রাজুনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি মদুদি, সর্ভিলেন্স টিমশিংনা লুপা ক্রোর ১২.১১গী ওইগদবা য়ু লিটর লাখ ২৬.৬৪ ফাখি। অসুম তৌদুনা এনফোর্সমেন্ট ৱিংশিংনা লুপা ক্রোর ২৭৩.১৩গী ওইগদবা সাইক্রোট্রোপিক সবষ্টেন্সশিংসু ফাখি অমদি কেস ওইনা একাউন্টকা চান্নদবা লুপা ক্রোর ১৮.৪৮ ফাখি।

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, সেন্সিটিভ ওইবা মফম ১,১৯৭ আইদেন্টিফাই তৌরে। মসিদা নত্তনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না থাজবা মীওই ২,৮৬০সু আইদেন্টিফাই তৌরে। মখোয়গী মনুংদা মীওই ১,৮৩৫গী মায়োক্তা প্রিভেন্টিভ এক্সন লৌখৎলে। অতৈ মীওইশিং অদুসু লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎলগনি।

করুনানা হায়, সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদা য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা মীওই ৬৯৬ সী আর পি সীগী প্রিভেন্টিভ সেক্সনশিংগী মখাদা ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রে।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**/ CORRIGENDUM**

the 31st January, 2022

হৌখিবা তাং ১২/১/২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা "Hueiyen Lanpao" পাউচেগী Page No. 9 গী মনিংদা য়াওখিবা SDC/IW Patsoi গী Ref: Mut. Case No. 12/SDC/IW(P) of 2022 গী পরেং মরি অমসুং মঙাদা য়াওরিবা দংকারি নং ২গী মিংদা .০০৮৪২ একর মনিং থংবদা অমসুং ০.০৪১৫৮ একর মমাং থংবদা পানবীয়ু হায়খিবদু “দংকারি নং ২গী মিংদা মনিং থংবদা ০.১২৭০০ একর অমসুং দংকারি নং ১গীনা মমা থংবদা ০.০৩৭৩০ একর পানবীয়ু হায়গদবনি”।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Patsoi

HL-P/1541/1

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 80/SDC/SWG of 2022**

Parties :-
1. Pechimayum Reena Devi D/o Late Ibotombi Singh of Khurai Thangjam Leikai (an area of 0.677 acre on the Eastern side)
2. Leishangthem Dine Devi W/o Pechimayum Jillangamba Singh of Khurai Thangjam Leikai (an area of 0.677 acre on the middle portion of the dag)
3. Pechimayum Shantibala Devi D/o Late Melei Singh of Khurai Puthiba Leikai (an area of 0.676 acre on the Western side)

-Petitioners

-Vs-

Late Pattadar :-
Pechimayum Yumjao Singh of Khurai Thangjam Leikai.

-Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 31st January, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 69-Kameng পাট্টা ন: ... (অরিবা) 117 (অনৌবা) দাগ ন: 288 মোট এরিয়া 2.03 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Pechimayum Yumjao অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারীশিং অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে ওইনা অপ্তি পীরবা মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/1621/1

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 72/SDC/SWG of 31/1/2022**

Parties :-
1. Yaikhom Gambhini Devi W/o (L) Ibochou Singh of Kharason Maning Leikai.
2. Yaikhom Ibemhal Devi W/o (L) Ibotombi Singh of Kharason Awang Leikai.

-Petitioners

-Vs-

Late Pattadar :-
Co-Pattadar No. 1 :- Yaikhom Ibochou Singh S/o (L) Yaikhom Amuba Singh of Kharason Maning Leikai.
Co-Pattadar No. 3 :- Yaikhom Ibotombi Singh S/o (L) Yaikhom Amuba Singh of Kharason Maning Leikai.

-Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 31st January, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 63-Kharason পাট্টা ন: ... (অরিবা) 81 (অনৌবা) দাগ ন: 197 মোট এরিয়া 0.31 একর চাওবা ইখোলগী কো-পাট্টাদার 1&3 Yaikhom Ibochou & Yaikhom Ibotombi অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারীশিং অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে ওইনা অপ্তি পীরবা মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/1621/1

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**

**Mutation Case No. 52/SDC/IW(N)Sekmai of 2022**

Khwairakpam Ibochou Singh S/o (L) Khwairakpam Ingel Singh of Awang Sekmai Makha Leikai.

-Petitoner

-Vs-

Late Khwairakpam Ingen Singh S/o (L) Ningthouba Singh of Awang Sekmai.

-Pattadar

**/ NOTICE**

Sekmai, the 31/01/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 29-Maharabi Under Patta No. ... (old), 223/296 (New) Covered by C.S. Dag No. 70 গী area 1.46 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথুজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/1626/1

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR**

**Ref. Mutation Case No. 51/SDC/Kumbi/2022 31/1/22**

Tongbam Mangi Singh S/o (L) T. Thoiba Singh of Wathalambi Shantipur

-Vs-

Tongbram Thoiba Singh S/o (L) T. Amusana Singh of Saiton Wathalambi.

**/ NOTICE**

Kumbi, 31-01-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৫-সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং ... (অরিবা) অমসুং ১০১৪/১৬৬১ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৫৩৮৩, ৫৬১৯/৫৬৩২ এরিয়া ১.২০, ০.০৫ একর চাওবা লম-অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Kumbi

HL-P/1624/1

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR, IMPHAL**

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 31-01-2022

**RESCHEDULED PROGRAMME FOR THE BA/BSC/BCOM/BFT/BSW/BTT 1ST SEMESTER EXAMINATION 2021(NOVEMBER)**

*In supersession of this o.o dated 20th November, 2021 the programme for the abovementioned examination is rescheduled as under:*

| Date & Day | 11:00 am to 2:00 pm |
|---|---|
| 21-02-2022 Monday | Environmental Science-I(101)/Home Science-I(101)/PEd (Physical Education)-I(101) |
| 22-02-2022 Tuesday | BFT-101/BSW-101/BTT-101/Physics-I(101)/Political Science-I(101) |
| 23-02-2022 Wednesday | Anthropology-I(101)/PEd (Health Education)-I(101) |
| 24-02-2022 Thursday | Commerce-E1(101)(Business Communication)/Computer Science-I(101)/ Sociology-I(101) |
| 25-02-2022 Friday | General English-I(101)/MIL-I(101) (Arts/Science/Com/BSW) |
| 01-03-2022 Tuesday | BFT-103/BTT-103/Education-I(101) |
| 05-03-2022 Saturday | Commerce-E3(101)(Business Economics & Environment)/Electronics-I(101)/ Geography-I(101) |
| 07-03-2022 Monday | Manipuri-I(101)/Mizo-I(101)/Zoology-I(101) |
| 08-03-2022 Tuesday | Hindi-I(101)/Mathematics-I(101) |
| 09-03-2022 Wednesday | BFT-102/BSW-102/BTT-102/Defence Studies-I(101)/Economics-I(101) |
| 11-03-2022 Friday | Biochemistry-I(101)/Commerce-E2(101)(Financial Accounting)/ Human Rights-I(101)/ Philosophy-I(101)/Psychology-I(101) |
| 14-03-2022 Monday | Chemistry-I(101)/English-I(101) |
| 15-03-2022 Tuesday | BFT-104/BTT-104/Geology-I(101)/History-I(101)/PEd (Sports)-I(103) |
| 16-03-2022 Wednesday | Bengali-I(101)/Botany-I(101)/Statistics-I(101) |

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/7452/1

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**

**Mutation Case No. 53/SDC/IW(N)Sekmai of 2022 Dt. 31/01/2022**

1. Khwairakpam Mala Devi D/o (L) Kh. Ingel Singh of Awang Sekmai Makha Leikai.
2. Khwairakpam Tondon Devi D/o (L) -do- of -do-

-Petitoners

-Vs-

Late Khwairakpam Ingel S/o (L) Ningthouba Singh of Awang Sekmai.

-Pattadar

**/ NOTICE**

Sekmai, the 31/01/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 30-Sekmai Under Patta No. 950 (old), 683 (New) Covered by C.S. Dag No. 3085 গী area 0.50 acres চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথুজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/1626/1

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI**

**Mutation Case No. 51/SDC/IW(N)Sekmai of 2022**

1. Khwairakpam Mala Devi D/o (L) Kh. Ingel Singh of Awang Sekmai Makha Leikai.
2. Khwairakpam Tondon Devi D/o (L) -do- of -do-

-Petitoners

-Vs-

Angom (N) Khwairakpam (O) Jati Devi W/o Ingel Singh of Awang Sekmai.

-Pattadar

**/ NOTICE**

Sekmai, the 31/01/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 29-Maharabi Under Patta No. 84 (old), 12/238 (New) Covered by C.S. Dag No. 95 গী area 1.19 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথুজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/1626/1